**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14.05.2024)**

**রিজল্ট (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসন (মেত্রিক পারিক্ষা) গী ফল থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা লাউথোক্লগনি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবদা বোর্ড অসিগী কন্ত্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন-অয়াম থোই সিংহনা হায়-পরিক্ষা অসি হায়দোকবা ইভালুয়েসনগী থবক কন্না চংখ্রি। পরিক্ষা ফল থা অসিগী ২৫ গী মতুংদা হায়দোকনবা থৌরাং তৌরি। পরিক্ষা চহি অসিগী মার্চ ১৬ তগী হৌরগা এপ্রিল ৮ ফাওবা চংখিবনি। পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না পরিক্ষা থাখি।

মসিদা সরকারগী মহৈ লোইশঙগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং ১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ না পুন্না সেন্তর ১৫৪ দা পরিক্ষা থাখিবনি।

**ফার্মর(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী লৌমীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

লৌমী য়াইফ লুপ কংলৈপাক (লোয়ালুপ) না শিনদুনা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-থৌনাওজম বিরজিৎনা হায়-লমদম অমা চাউখৎহনবদা লৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথারদুনা শ্রী বিরজিৎনা হায়-মখোয়না লমদম অমা চাউখৎহনবদা য়াংলেন শরূ ওইরি। মখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা সরকারনা

অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি।

**গাড়ি (এল)ঃ** ইন্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা ঙসিসু নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১০২ ইন্ফালোমদা চংলকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং অদু সি.আর.পি.এফকী ২১৬ শুবা বটালিয়নগী কাংবুনা অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা গাড়িশিং অদু ইন্ফালোমদা পুশিল্লকখিবনি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা-এল.পি.জি, পেট্রোল, দিজল য়াওবা ওইল টেঙ্কর ৬২ অমদি এফ.সি.আইগী পোৎলম য়াওবা গাড়ি ৪০ য়াওরি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** সমাগ্রহ শিক্ষা ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইতি মনিপুরনা শিনদুনা রাজ্যগী থাক্তা লৈঙাক্কী মহৈরোইশিংগী ওইবা য়ুনিক সেল্লিং প্রোপোজিসন (য়ু.এস.পি) ইগজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইন্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সমাগ্রহ শিক্ষা ইলিমেন্টরিগী লোইশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা হায়-মহৈরোইশিংনা টেক্স বুক পাবগী মথক্তা পুন্সিরোলগা মরি লৈনবা অহেনবা লৌশিং-গ্যান তানশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মখোয়বু লৈবাক অসিগী মতিক চাবা নাগরিক অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা নৌনা পুথোকপা মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলমশিং য়াওরবা পেটেন্টেদ স্কুল বেগশিংসু মহৈরোইশিংদা য়েন্থোকখি।

**শিব (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ইরং তুরেলদা ঙরাং ইরাকখিবা মীওই অমা শিনা ফংলে। অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক ইন্ফালদা পুরকখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-ঙরাং ইরাং তুরেলদা

আইননা য়াদবা মওংদা নুঙ লৈঙোই পেকপা থিংননবা পুলিস পার্সোনেল মরি য়াওনা মীওই মঙা চৎখিবনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লুবাংলোং ভিলেজতগী মনিপুর পুলিস পার্সোনেল ওইবা মীওই অদু ইরং তুরেলদা তাশিনখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। অদুবু, মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ঙসি ফংবা ঙমলে। হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**দেসাম (এল)ঃ** শিক্ষা হায়বসি খুন্নাই অমগী য়াংলেন শরূনি অমসুং মসিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি মনিপুর লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি হায়না দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেলনা হায়রি।

ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়-মনিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা কলেজশিংদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী লৈফম থোকপা ওজাশিং, য়ুনিভরসিতিগী ওর্দিনান্সনা পীরিবা নিয়মগী মতুং হন্না লৈত্রিবা ফাওবদি ওজা ৱাৎলিবা সবজেক্টশিং অদুগী এদমিসন লৌবা য়ারোই। লোয়ননা রাজ্য অসিগী এদুকেসন সেক্তর অসিদা মুখ্য মন্ত্রিগী অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না মহাকা আপিল তৌখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, চান্দেলগী নন-কম্যুনিকেবল দিজিজেস সেলনা শিনদুনা ৱার্ল্ড দাইভেটিস ডেগী থৌরম চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন.সি.দি. চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডাঃ এল. দেবেননা লায়না অসিগী মরমদা মীয়ামদা কান্নরবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগা ষ্টাফশিং অমদি আশা ৱার্করশিংসু শরুক য়াখি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ওক অমদি অতৈ শা-ষনশিং লোয়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি নেসনেল লাইফ ষ্টোক মীসনগী মখাদা জোইন্ট দিরেক্সন দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস-থৌবাল অমদি ককচিংনা শিনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা থৌবাল অমদি ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসার-ডা: পি. গোজেন্দ্রো সিংহনা হায়-ভারত অমদি মনিপুর সরকারনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী খুত্থাংদা কান্নবা পীরিবা অসি মীয়ামনা লৌমীন্নসি। মহাকা হায়-চিঞ্জাক্তা মীপাং তাংদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নসি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অঙাংশিংবু অতোপ্পা মফমশিংদা নিয়মগী ৱাংমদা চৎহন্দনবা মরী লৈনবা মমা-মপাশিং, সি.এস.ও অমদি মরী লৈনবশিংনা হোৎনগদবনি।

কম্মিসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অঙাংশিং অসি য়াইফনবা ঐখোয় পুন্না য়েংশিনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয়বু অঙাং লল্লোনবশিংগী মখুৎতা তাদনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

নিভরসিএল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন-ইম্ফাল ইষ্ট জোন টুগী বামোন কম্পু বটালিয়নগী মনুং চন্না লৈবা হুয়েন লাল্লোং শিংতম শঙলেন (য়ু.এফ.ও) নহারুপ পাংখোং মখোঙ ব্রান্স লিংখৎখিবগী ২৭ শুবা থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইবুধৌ পাখংবা য়েকপা ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

মদুদা, বি.জে.পিগী সেক্রেটরি-পি. প্রেমানন্দা য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দ লমলোংদা শান্নবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিক ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নন নিশা-থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা রাহি য়ু.সি অমসুং নম্বুল মপাল এঠলেটিক কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ক্বটঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি, এন.টি.এনা লৌবা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (ক্বেট) অন্দর গ্রেজ্যেট ২০২৪ পরিক্ষাগী মতম লেপ্লে। পরিক্ষা অসি হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৮ ফাওবা লৈবাক অসিগী সহর ৩৭৯ দা পাঙথোক্কনি।

পরিক্ষা অসি ভারতকী মপান লৈবাকশিংগী সহর ২৬ তসু পাঙথোক্কনি। নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা হায়-পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোইশিংগী এদমিত কার্দশিং ক্বেট অমসুং এন.টি.এগী ৱেব সাইটতগী মখোয়গী এপ্লিকেসন ফোর্ম নম্বর অমসুং দেট ওফ বার্থ শিজিন্নদুনা দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বরানাসি লোক সভা সিটকীদমক মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

লোক সভা মীখলগী তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মনুং চন্না বরানাসিদা ভোট থাদনগনি অমসুং তাঙ্কক অসিগী ওইনা মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোয়খ্রে।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিট অদুদি-উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৯, বিহারগী সিট ৮, উরিষাগী

সিট ৬, হিমাচল প্রদেশকী সিট ৪, ঝারখন্দগী সিট ৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি চান্দিগরগী সিট ১ নি। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা লাক্লিবা ইরাইনি। জ্ন ১ দা ভোৎ থাদনগনি।

**কেম্পেইনঃ** লোক সভা মীখলগী মঙাশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বিহারদা এন.দি.এগী মকোক থোংবা লুচিংবা, জে.দি.য়ু, লোক জন্ন শক্তি পার্টি, হিন্দুস্থানি অৱাম মোর্চা অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চাগী লুচিংবশিংনা মীখলগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম অমসুং তোঙান তোঙানবা রেল্লিশিং পাঙথোকখি।

বিহারগী হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-সুসিল কুমার মোদি লৈখিদবগী নুংঙাইতবা ফোংদোকপা ওইনা বি.জে.পি. দলগী ওইনা মীখলগা মরী লৈনবা থবক পুমমক ঙসি লেপখ্রে। বিহার প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী লুচিংবশিংনসু তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ভোট খোমখি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেত্রোরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-রিজনেল সেন্টর গুৱাহাতিনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা পারপতগীনা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুগনি।

অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেস, নাগালেন্দগী মফম খরদসু লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**কাশ্মিরঃ** পাকিস্তাননা খুদম চল্লিবা কাশ্মিরদা পাকিস্তান লান্মীগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিরে, ১০০ হেন্না অশোক অপন নংলে।

সরকারগী পাউনা হায়-মীওই অনিদি নোংমৈনা পানবদগী লৈখিদবনি। শিরবশিং অদুগী মনুংদা অমনা পুলিস ওফিসারনি। নোংমদা তঙাইফদনা চংবা

পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপা অমদি মফম অদুদা মৈ ফংদবগী থৌওংশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা য়াল্লবা মীয়ামনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী লম্বা-সড়ক্তা খোঙজং চংশিনদুনা লাক্লি। খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামগা পুলিসকা মুকরকপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ফিভম অসি য়েংলগা পাকিস্তান সরকারনা সি.আর.পি.সিগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমলে। স্কুলশিং, পাব্লিক ট্রান্সপোটেসন, লল্লোন ইতিক, ইন্টরনেটকী অথিংবা থমখ্রে।

**তামিলঃ** লিবরেসন ট্রাইগরস ওফ তামিল ইলাম (এল.টি.টি.ই) দা কেন্দ্র সরকারনা থমখিবা অথিংবা চহি মঙা অমগসু শাংদোক্লে।

গৃহ মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-এল.টি.টি.ইনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা অমদি অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা থবক কয়া মখা চত্থরকপদগী কেন্দ্র সরকারনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। হৌখিবা চহি ২০১৯ গী মে থাদগী অথিংবা অসি থল্লকখিবনি।

**মুম্বাইঃ** মুম্বাইদা ঙরাং অকনবা নোং নুংশিৎনা মরম ওইরগা বিল বোর্ড অমা তেক্লকপদগী মীওই ১৪ লৈখিদ্রে, মীওই ৪৩ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং মুম্বাইগী ঘাটকোপারদা থোকখিবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-অকনবা নোং নুংশিৎনা মরম ওইরগা ফিট ১০০ ৱাংবা বিল বোর্ড অদু তেক্তুনা মনাক্তা লৈবা পেট্রোল পম্প অমদি অকোইবদা লৈবা য়ুমশিংদা তাশিনখিবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপশিং হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা হায়-থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ মঙা-মঙাগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অকনবা মীৎয়েং চংগনি।

**বেলঃ** মণি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা ঝরখন্দগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি হেমন্তা সোরেননা ইন্তরিম বেল পীবিনবা হায়জখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

হন্দক্তা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল জেলদগী থাদোকখিবা অদু য়েংলগা শ্রী সোরেননা হৌজিক চথুরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মহাক্কী দল ঝরখন মুক্তি মোর্চগীদমক ভোট খোন্থদা শরুক য়ানবা ইন্তরিম বেল পীবিনবা হায়জরকখিবনি।

**ফেষ্টিবেলঃ** ৭৭ শুবা কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেল ঙসিদগী ফ্রান্সকী কেন্সতা হৌখ্রে।

নুমিৎ ১২ নি চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা ভারত সরকার, রাজ্য সরকার অমসুং ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিজশিংগী মীহুৎশিংনা মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারি। ফেষ্টিবেল অসিদা ভারতনা অহানবা ওইনা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ভারত পর্ব পাঙথোক্কনি। মসিদা ফিল্মগা মরী লৈনবা শকাইরবা মীওই কয়াগসু উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম য়াওনা অতৈ থৌরম কয়া য়াওরি।

**আইপিএলঃ** আই.পি.এল. ক্রিকেট মেটচতা হৌজিক দিল্লি কেপিটেসকা লক্ষনৌ সুপর জাইন্সকা ন্যু দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।